অরানবা অমা লোৎশিন্নবা হোৎনবদা অরানবা চাম্মা ফোঙদোকই ঃ দেসাম

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ঃ রিমসকী দিরেক্টর ডাঃ এস সেখরজিৎনা তৌরিবা থৌওং অসিদি অরানবা অমা লোৎশিন্নবা হোৎনবদা অশোইবা চাম্মা তৌই হায়বা মৈতৈ ৱাহৈ অদুমক্লি হায়না দিমোক্রেটিক এলায়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না ফোঙদোক্লদুনা ঙসি ফাওবা দেসামনা অরানবা ৱাফম অমত্তা হায়খিবা লৈত্রি হায়রি।

দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল পি প্রেমচন্দ্রনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ডাঃ এস সেখরজিৎনা মচানুপী ডাঃ বন্দনা দেবী সিনামবু নিয়মগী ৱাংমদা এনাটোমি দিপার্টমেন্টতা সেনিয়ার রেসিদেন্ট ওইনা থবক হাপ্লিবা অসি মপুং ফানা থিদোক্লবা সি বি আইগুম্বা এজেন্সি অমদা শিন্নবা চুমগনি। মেদিয়াদা অরানবা পাউ পীদুনা শেংদোক্লুবসি দেসাম নত্তে, রিমসননি হায়রদুনা অরানবা কয়া কুপশিন্নবা হোৎনবদা নমথাক তৌবা অদু মীয়ামদা উৎথোকপনি।

ইং ১৯৯২ গী জুন ৫ দা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দমগী মতুং ইন্না সেনিয়ার রেসিদেন্টস রিক্রুইট তৌবগী ক্বালিফিকেসন অসি এম বি বি এস দোক্তরগী লেভেল ওইনা ডাঃ সেখরজিৎনা হায়রিবা অসি অপদেট ওইদে। ইং ২০০৯ গী এপ্রিল ২০ দা ফমখিবা ৩৯ শুবা ই সি মীটিংদা তাখিবা দিসিজনগী মতুংদদি সেনিয়ার রেসিদেন্সি প্রোগ্রাম চৎনবা হায়বসিদা লৈখ্রবনি। মদুগী মতুংদা অনৌ অনৌবা এমেমেন্টমেন্ট তৌখিবা লৈত্রি। রুল হায়বসিদি হোংদোক হোংজিন তৌনরিবনি। মমাংঙৈগী রুল অদুদা অদুমক ইনগদবনি হায়বসি অঙকপনি। নোংমতদা পোষ্ট অমখক্কী এদভর্টাইজ থোকপা অসিসু অঙকপা অমনি হায়রদুনা ইং ২০১৩ জনুৱারি ৫ দা সেনিয়ার রেসিদেন্ট লৌবগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং (এনাতোমি) ফিজোলোজি, বাইও-কেমিস্ত্রি, মাইক্রোবাইওলোজি, পেথোলোজি, ফার্মাকোলোজি, মেদিসিন, ওবটস এন্দ গাইনি, ই এন টি অমদি এনেস্থেসিওলোজিনচিংবগী এদভর্টাইজমেন্ট অমা দিরেক্টরগী সহি য়াওনা তৌখি। মদুদা পোষ্ট অসিগী ক্বালিফিকেসনসু পোষ্ট গ্রেজুয়েট দিগ্রি ওইগদবনি হায়রি। অদুগা নুমিৎ অদুমক্তদা লিভ সবষ্টিট্যুট ওইনা সেনিয়ার রেসিদেন্ট লৌবগী দিপার্টমেন্টশিংগী এদভর্টাইজসু তৌখি। হায়রিবা অদুসু রিফরেন্স নম্বর চপ মান্নখি। অদুগা ক্বালিফিকেসন্না এম বি বি এস দিগ্রী ওন্থোকখিবনি।

অসিগুম্বা রিক্রুইটমেন্ট রুলবু মেনিপুলেসন তৌরিবা দিরেক্টরনা অচুম্বা তৌবনি হায়রিবসি করম্না হায়গদৌরিবনো। দেসামনা হংলিবদি চপ মান্নবা পোষ্টকী খেন্নবা ক্বালিফিকেসন পীরিবা করিগীনো? মচানুপীবু হুরান লানাদা থবক হাপ্পবা নত্রা অমদি সেখরজিৎনা থৌওং অসিবু অচুম্বনি হায়গদ্রা হায়বসিনি।

এনাটোমিগী চেরোল অসিনা হায়, তুমদবা মী হৌদোকপা লুই হায়বগুমদনা ২০১৩ জনুৱারি ৫ দা থোকপা এদভর্টাইজমেন্টকী মতুংইন্না লিভ সবষ্টিট্যুট ৪ গী মনুংদ অহুমদি সেনিয়ার রেসিদেন্টস ওইনা খল্লি। লিভ লৌখিবশিং অদুদি ডাঃ মগৎ অঙোম কার্দিওথোরাটিক জর্জরি, ডাঃ কে জিনা এনেস্থেসিওলোজি, ডাঃ এন্দ্রিয়া তোংব্রম মেদিসিন অসিনি। মখোয় অহুম পোষ্ট গ্রেজুয়েট তম্বা চৎখিবদগী সবষ্টিট্যুট হাপ্পনি। অদুবু এনাটোমিগী লিভ সবষ্টিট্যুট অসিদি তোঙানবা ইশু অমনি। ষ্টদি লিভকা মরী লৈনদে। ডাঃ বিদ্যুৎ কুমার দাস এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার দিপার্টমেন্ট ওফ এনাটোমিনা চহি ৭ কী মমাংদগী ছুটি লৌখিবদগী ঙসি ফাওবা হল্লক্তবা মীশক্লি। মরম অদুনা মহাক্কী ষ্টদি লিভকা মরী লৈনদে। ষ্টদি লিভ অসি ডোক্তর অমনা চহি ৩ দগী হেনবসু য়াদে। ডাঃ দাসকী ৱাফম অসি মনুংদা করি অরোনবা লৈবনো খঙদে। লিভ সবষ্টিট্যুটতা থবক চঙখিবা সেনিয়ার রেসিদেন্ট পুম্বা মতমগী মতুং ইন্না লোয়না তোল্লখ্রে। অদুগা ডাঃ বন্দনা সিনামনা কমদৌনা মখা তানা লৈরিবনো হায়বসিসু হংলি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ওইদবা ৱাহৈ কয়া মীয়ামদা অমদি দেসামদা হায়জিন্দুনা উং চইদবা ফগানি। সেনিয়ার রেসিদেন্ট হায়বসি পোষ্ট গ্রেজুয়েট দিগ্রীতনা চঙগদবনি। এম বি বি এস দিগ্রীনা য়াদে হায়বসি ডাঃ সেখরজিৎনা কাওদবা ফৈ। এম বি বি এস দিগ্রীনা য়াই হায়বা লৈরগনা মরী লৈনবশিং অদু পুথোক্তুনা খঙহনগদবনি।

মসিগী মতাংদা মখা তানা আরগুমেন্ট তৌবগী মথৌ তাদ্রে হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

‘অচুম্বা খঙদ্রিঙৈদা মরাল শিজিনবা য়ানিংদে’

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ঃ হৌখিবা জুলাই ৯ কোলকটাদা থৌরি য়ান্দুনা শিখিবা মোইরাংদগী হাওবিজম নিরুপামা এলাইজ চাওবাগী মীশিংগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সিনা তাল্লিবা দাবী অসি য়ানিংদে অমদি ঙরাং শোরাৎ পাঙথোক্লিঙৈদো থুগাইনবা লাকখিবা অসি য়ানিংদে হায়না ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখ্রে।

চীঙমথক মণিপুর কলেজ রোড নুপী থৌগল লুপকী এদভাইজর কে অশাংবীনা হায়বদা অচুম্বা ফংদ্রিঙৈদো অতম্না নুপা ময়ুমদা তইনফম ওইহরিবা অসি য়ানিংদে। শিরিবা নুপী অসিগী নুপা নিতিন হৌজিক অলিপুর পুলিসনা ফাদুনা অচুম অরান থিদোক্লবা কোর্টতা ৱায়েন বিচার চখরি। অচুম্বা ৱায়েল ফংলবা মতুংদা চখবা য়াবা খোঙথাং লৌখৎমিন্নসি হায়খি।

ঙসিগী পাউজী মীফম অদু চীংঙমথক মণিপুর কলেজ রোড নুপী থৌগল লুপ, চিংঙমথক য়ং লার্নর ক্লব, চীংঙমথক মৈরা পায়বী অপুনবা লুপ্পা পুন্না শিনবনি।

লুপা ক্রোর ২ হেনবগী অফাবা পোৎ মৈ থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ঃ কষ্টম ডিভিজন, ইম্ফালগী ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি লুপা ক্রোর অনি হেনবগী চাং ওইগদবা ফাগৎলবা পোৎ-চৈশিং মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

ফারবা পোৎশিং অদুগী মনুংদা লুপা ১৬,৩৫,২৫০ গী ওইগদবা গঞ্জা কিলোগ্রাম ৩৪৬.৫ গী পেকেৎ ৪১, লুপা ৬,১৬,১৬৭ কী ওইগদবা স্পাস্মো প্রোক্সিবোন কেপসুল ১,২০,৯৬০, একটিলাব-টি টেব্লেট ৫৮,০০০ ফেন্সিদাইল সিরপ বোটুল ১০০০, লুপিকোফ সিরপ বোটুল ১১৭০ অমদি এক্টিলিট টেবলেট ২,৪৮,০০০ নি। লুপা ৫৫,০০,০০০ গী ওইগদবা হেরোইন গ্রাম ৫৫০ সু মৈ থাবদুদা য়াওখি।

ঙসি মৈ থাখ্রিবা পোৎশিং অসি ২০১৩ দা ফাগৎখিবা ঙাক্তনি। লোয়ননা পোৎশিং অসিগা মরী লৈনবা কেসশিংসু লোইখ্রবা ঙাক্তনি হায়না ওফিসিয়েলশিংদুনা ফোঙদোকখি। দ্রগ দিস্পোজেল কম্মিটিগী চেয়ারমেনসু ওইবা কষ্টম দিভিজনগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার গাইখোনলুন পানমৈনা ঙসি মৈ থাবগী থবক অদু লুচিংখি।

লমাই ১গী মখা

রিকগ্নাইজ তৌদবা প্রাইভেট ...

হোস্পিটালশিংগী মথক্তা মীৎয়েং চংদুনা লাক্লি। সরকারগী ডাক্তরনা প্রাইভেট হোস্পিটালদা থবক পুরম্বদগী ডাক্তর অহুম ফাগৎপগী থৌদোক লৈখ্রে।

অমরোমদা চীং অমদি তমদা লৈরিবা রিকগ্নাইজ তৌদবা প্রাইভেট হোস্পিটালগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা সরকারনা হোৎনরি। মিনিষ্টর মশামক্কী কেন্দ্রদা লৈরম্বা রিকগ্নাইজ তৌদবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমা থিংজিনখ্রে অদুগা অতৈবুনা রিকগ্নাইজ তৌখ্রে। প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা লৈরিবা অল্ট্রাসাউন্দা মেছিনশিং অসি থম্বগী অয়াবা সরকারনা পীদে অদুবু ভারত সরকারগী মখাদা য়ানবা অমগী মতুংইন্না থম্বা ওইরম্বা য়াই হায়খি।

প্রাইভেট ক্লিনিক, মেটর্নিটি হোম ...

অমসুং সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসকী খুখাংদা চে চৎহন্দুনা কন্না হোৎনরি। মণিপুর সরকারনা পায়খৎলিবা সেরিকলচর ফার্মশিং অসি চীংগী লমদা ভিলেজ ওথোরিটিশিং অমদি ভিলেজ চিফশিংগী অয়াবা য়াওরগা মখোয়না লম দোনেট তৌরবা মতুংদা পায়খৎপনি। হায়রিবা থৌরাংশিং অসি নিংথিজনা প্লান তৌরগা পায়খৎখিবনি। অদুবু বাউন্দরি ফেন্সিং তৌহৌদবা মরম্না লম খোপচিনবগী ৱাফম অসি লাকপনি। হিরমসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলগী মখাদা ফার্মশিং লেন্দমার্ক তৌরগা ফেন্সিং তৌনবা থৌরাং পায়খৎলি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোংদোকখি।

মতম চানা থবক পাংথোকপা ...

রেট (আই এম আর) অমদি চহী মঙাগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং শিবগী চাং হহুহনবা হায়বসি মিলেনিয়ম দিভলপমেন্ট গোল অমসুং নেসনেল হেল্থ মিসনগী মরু ওইবা পান্দমনি। খোং হাম্বনা (দাইরিয়া) মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা অঙাং লাক্ষ অনীরোমদি চহী খূদিংগী শিরি। নোংজু অমদি কালেন থাগী মতমসিদা অঙাংশিং দাইরিয়া নাবগী চাং অসি য়াম্না ৱাংই। অফবা ঈশিং থকপা, লু-নানবা, খোন্নাং পীথকপা, মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা অমদি হকচাং লু-নান্না লৈবা লোয়ননা খূৎশা শেংনা হামদোক্তুনা মোৎহন্দনা থম্বনা খোং হাম্বগী লায়নাদগী ঙাকথোকপদা মতেং ওই। মসিগা লোয়ননা হকচাং শোনবদা ও আর এস অমদি জিঙ্ক শীজিন্নবনা কন্নবা ফংহল্লি।

চয়োল অনী চুপ্পা চখগদবা থৌরমসিগী অহানবা চয়োলদা চহী মঙাগী মখাদা লৈবা অঙাংশিংগী য়ুমথোংদা চত্তুনা ও আর এস য়েন্থোকপা অমদি মহৈরোয়শিংগী অথোই-অহেন চাংদম্নবা য়াওরি। অনীশুবা চয়োলদনা ইনফেন্ট অমসুং অঙাং মচাশিংদা পীরিবা ফিদিং প্রাকটিসকী মরমদা মীৎয়েং চংদুনা থবক তৌগনি হায়খি।

পাংথোকখিবা থৌরমদুদা ফেমিলি ৱেলফিয়ার সার্ভিসেস দাইরেক্টর অমদি এন ঐচ এমগীনা ষ্টেট মিসন দাইরেক্টর ওইরিবা ডা. ও ইবোমচা সিংহ, হেল্থ সার্ভিসেস মণিপুরগী দাইরেক্টর ডা. এ বিজয় সিংহ, জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট দরিয়ু গোপিমোহন সিংহনা ইকায় খুম্নরবা মীথুংলেন ওইখি। লোয়ননা থৌরমদুদা মিনিষ্টর অমদি দাইস্তা ফমখিবশিংনা অঙাংশিংদা ও আর এস অমদি জিঙ্ক পীজখি।

‘সেন্টরদা আই এল পিগী তক্করুরগনি’

য়াদবদগী চথখিবা থবক্তা অশোক-অপন নংখিবশিং অদু হাউস অসিনা নুংঙাইতবা পোকই।

ষ্টেট গভর্নমেন্টনা আই এল পি সিষ্টেম চৎনবা পামদবা নত্তে। অদুবু মমাংদা আগষ্ট হাউসনা অনীরক হন্না ইং ২০১২ অমসুং ২০১৩দা ৱারেপ লৌদুনা ইন্নর লাইন পার্মিট চৎনহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুমকপু ষ্টেটনা ঙমদবা মরম্না মখা তানা করি তৌবা য়াবগে হায়দুনা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা থবক তৌদুনা লাক্লি। মখা তানা হাউস অসিনা চপ মান্নবা ফিরেপ লৌদুনা অদুম লৈরবদি আগষ্ট হাউস অসিগী ৱাহন্থোক ফজরোইদ্রা হায়দুনা হাউসকী মেম্বরশিংনা মখা তানা ৱারেপ লৌদবনি।

হিরমসিদা হাউস অসিগী রুল্লিং অমদি ওপোজিসনগী খেন্নবা লৈতনা পুন্না মীফম পাংথোক্তুনা কেন্দ্র সরকারদা চত্তুনা আই এল পিগী মতাংদা তক্কখিবনি। অদুমকপু মণিপুর প্রজাগী খোঙজং অসিগা মরি লৈননা হন্দক অমুক ভারতকী পার্লিয়ামেন্ট মীফম হেক লোইরকপগা আগষ্ট ১৫গী মতুংদা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম অমা পাংথোক্তুনা হিরমসিদা খন্ন-নৈনরগনি। ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম অসিদা আই এল পিগা মরি লৈননা থবক তৌরিবা লনাই সংস্থানশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াবীয়ু। মসিগী মথক্তা আই এল পিগা মরী লৈনবা লনাই সংস্থানশিং খক্তগা উনদুনা খন্নবা য়াবা খন্নসি। লোয়ননা কেন্দ্র সরকারদা চত্তুনা ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর উনদুনা ৱারী শানবদসু লনাই সংস্থানশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াবীয়ু হায়খি।

মখা তানা হাউসকী লিদর চিফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবদা, মতম অমদা মণিপুরনা ভারত্তা তিন্দ্রিঙৈদো বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার রিগুলেসন এক্ট ১৮৭৩ অসি চৎনরম্মী হায়বসি অচুম্বনি। মসিগা লোয়ননা মেঘলায় অমদি ত্রিপুরাগী মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী আইদেন্টিটি মাংখিবা য়াবগী অকিবা লৈদুনা হায়রিবা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার রিগুলেসন এক্ট অসি চৎনহল্লম্মী। অদুবু হৌজিক্তি হায়রিবা মফমশিং অদুদগী এক্ট অসি রিভোক তৌখিবনি। মণিপুরদসু চৎনরম্বা এক্ট অসি ভারত্তা হেক তিনশিনখিবদগী ভারত সরকারনা এক্ট অসি লৌথোকখিবনি।

মণিপুরী মহৈরোয়শিংনা হিরমসিদা ঐখোয়গী তুংগী আশা লৈত্রবদি করিগী লাইরিক তম্লুখিগনি হায়না হংলকপসু য়াই। মরম অসিনা আগষ্ট হাউস অসিনা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবগী মতাং অসিদা খক তুমিন্না লৈথোক্তে। ষ্টেটকী হোম দিপার্টমেন্টনসু মণিপুরদা ফোরেনরশিংগী মোনিটর অদুমক তৌদুনা লৈরিবনি হায়নসু মখা তানা হাউসকী লিদরনা ফোংদোকখি।

আই এল পিগী ঈহৌঃ কৈথেল ফম্বী মঙা ...

অদু লৌথোক্লগা গারিশিং অদু থাখি।

উরিপোক, শগোলবন্দ, নাওরেমথোং, শিংজমৈ, খুম্বোং, লমশাং নচিংবা মফমদসু ৱাকৎ মীফম ফমখিবগী পাউ ফংই।

মহৈরোয়শিং অশোক-অপন য়াওখিবা, লাথি চার্জ তৌখিবা অদু মণিপুর পুলিসকী পাংদবা অদু উখোকচবনি। মদুদা চেন্নবা পুলিসশিংগী মথক্তা ইন্টরনেসনেল হুমেন রাইটসতা চে থাদুনা ৱাকৎলগনি অমদি পুলিস পার্সোনেলশিং অদু অথুবা মতমদা থবক্তগী লৌথোক্কদবনি। ঈরাং হৌদুনা ইমা কয়া অমদি মহৈরোয় কয়া অশোক-অপন নংলফাওবা তাশিন্নদনা লৈরিবা সরকার অসি অঙকপনি। লৈবাক অসি মপু পান্দ্রে, পুলিস ওফিসার খরনা তৌনিংবদা তৌরগা লৈরে। অদুবু মণিপুরদা আই এল পি চৎহনদ্রিফাওবা খোঙজং মখা চথখিগনি হায়না জোইন্ট কমিটিগী ষ্টুদেন্টস ৱিংগী কনভেনর অঙম্বনা রিমসতা অশোকপা মহৈরোয়শিং য়েংশিনবা লাকপদা পাউমীশিংদা ফোংদোকখি।

মৈরা পায়বী লুপ তরুক্কী অপুনবা লম্লাই এরিয়া মৈরা পায়বী এসোসিয়েসননা শিন্দুনা লম্লাইদগী পুংদোংবম ফাওবা রেল্লি অমা চৎনবা হোৎনবদা পুলিসনা থিংবদগী মুক্কবা থোক্তুনা লমদম অদুদা অচৌবা ঈরাং অমা থোক্কে তৌখ্রে।

লুপ মাপনগী অপুনবা চীংঙা মখা অপুনবা নুপী লুপনসু ঙসি চীংঙা মখোং ৱেইটিং সেদতা অয়ুক পুং ১০.৩০দগী হৌনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা আই এল পি সিষ্টেম চৎনহল্লু হায়না দাবী তৌখি।

উরিপোক কাংচুপ রোদ পরিংদসু লৈকায় লৈকায় খূদিংদা ৱাকৎ মীফমশিং ফম্নখি।

আই এল পিগী খোঙজং অসি ৱাঙ্গোই বজার সেদতসু লমদম অদুগী মৈরা পায়বী লুপ তরুক্না শিন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা পাংথোকখি। ৱাকৎ মীফম ফন্নিঙৈদা বজার থোং লোন্নখি। লম্বীদা গারি চেনখিদে। কৈশামথোং হুইদ্রোম লৈকায়, এলাংবম লৈকায়, পিশুমথোং হাওবম মরক নচিংবগী মৈরা পায়বীশিংনসু ময়াই লম্বীগী মপান্দা ৱাকৎ মীফমশিং পাংথোক্তুনা আই এল পিগী দাবী তকশিনখি।

আই এল পি সিষ্টেম মণিপুরদা চৎনহল্লু হায়বা দাবি তৌদুনা ৱাকৎ মীফম অমা নম্বোলগী হাও কৈথেলদা নম্বোলগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লাকপা ক্লব, ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বীশিংনা শরুক য়াদুনা পাংথোকখি। মীফম অদুনা ঈহৌ অসিদা ফাজিনখিবা ইমাশিং অমদি মহৈরোয়শিং খুদক্তা থাদোকউ হায়নসু দাবি তৌখি হায়না দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

ৱাহেংখুমন মৈরা পায়বী অপুনবা লুপ, ৱাই ও সি, টি এম টি দি এ অমদি পি এম ৱাই দল্লিনা পুন্না শিন্দুনা ৱাইশেনখোংনাং মখোংদগী চীংফু কৈথেল ফাওবা মৈরাগী খোঙচৎ অমা চত্তুনা আই এল পি সিষ্টেমগী দাবি শৌগৎখ্রে।

মালোম টুলিয়াইমা অৱাংগী মৈরা পায়বী ইমা ইবেলশিংনসু অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৩.৩০ ফাওবা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা ইন্নর লাইন পার্মিট অথুবা মতমদা চৎনহল্লু হায়না দাবি তৌখি।

মরক অসিদা ওল মণিপুর জি পি লেভেল এন্দ লেম্পস দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসননা থোকপা চেরোল অমনা মণিপুরদা হান্না ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনরম্লগা হৌজিক্কী সরকার অসিনা করিগী চৎনহনবা ঙম্লোইদৌরিবনো হায়বা ৱাহং হংবগা লোয়ননা মণিপুরগী ফম্মাইবা লুচিংবা লুচিংবীশিংনা করিগী তুমিন্না লৈফম থোকপগে হায়নসু মখা তারক্লি।

প্রজা মীয়াম্না খুদোম্বীনা থিন্দ্রিবা ফাওবা অমদি মীশি-মীনা থোক্ত্রিবা ফাওবা থবক তৌদবগী হৈনবী অসি সরকার অসিনা থাদোকহন্নিংবগী অপাম্বসু চেরোল অদুদা ফোংদোক্লক্লি।

[illegible]

[illegible]

লমাই ১গী মখা

মুম্বাইদা মণিপুরগী গেষ্ট হাউস শানবগী থবক অথুবদা পায়খৎলগনিঃ চিফ মিনিষ্টর

দরকার ওই। ভি দি এফশিং অসি বটালিয়ন ওইনা ওন্থোক্তুনা দিসিপ্লিন ফোর্স অমা ওইহন্দুনা মখোয়গী তলব হেনগৎপীবা য়ারোইদ্রা ১৩ শুবা থাগী তলব মখোয়দসু পীবীবা য়ারোইদ্রা হায়বা খন্নবীয়ু হায়খি।

এল ইবোমচানা চুরাচান্দপুরগী বেহিয়াং, উখ্রুলগী জেসামী অমসুং চান্দেলগী মোরেদা ইন্টিগ্রেটেদ চেকপোষ্ট শানবগী অয়াবা পীরকখ্রবসু বেহিয়াং অমসুং জেসামীদা হৌজিক ফাওবা শাদনা লৈরিবা অসি করিগীনো হায়বদু য়েংশিনবীয়ু হায়খি।

হিল এরিয়াজ কম্মিতিগী চেয়ারমেন ডা. চাল্টোনলিয়ান অমোনা হায়, লুংথুলিয়ান্দগী ভাংভুং তাবা লম্বী অসি শেম্বা লোইরে হায়না চিফ মিনিষ্টরনা হাউসতা থমখিবা অদুনা মীয়াম্না চিফ মিনিষ্টরবু লান্না উহল্লে। মরম অসিনা ৱাফম অসি শেংদোকপীনবা হায়খি। লোয়ননা মিজোরাম পুলিসনা মণিপুরগী টিপাইমুখ এরিয়াদা চংশিল্লক্লগা মীচম ফুব্বা ওৎ নৈবা তৌরিবা অসি সরকারনা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়খি।

হাউস্তা পুখৎলকপা ৱাফমশিং অদুগী পাউখুম পীরদুনা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা হায়, মুম্বাইদা কেন্সর পেসেন্টশিংগী ওইবা গেষ্ট হাউস অমা শাবা হায়বসি মরম চাবা অমনি। মফম অদুদা গেষ্ট হাউস শানবা লম লৈবদা নোর্থ ইষ্টকী ওইনদি প্রিফরেন্স পীবনি। হৌজিক নবী মুম্বাইদা লম অমা লৈনবা থৌরাং লৈরে। মসিগী দরকার ওইবা প্রোসেস খরা ৱাৎপদগী তৌবনি।

মফম অসিদা বিল্ডিং শাবা অসিদা প্রাইভেট পার্টিনা থৱায় য়াওরি। মফম অদুদা বিল্ডিং শাগৎপা মতমদা মদুগী অচংবা শেনফম অদু মখোয়না পুথোক্লগা ষ্টেটকী ওইনা মথোল খরা পীরগা অতৈনা লিজদা মখোয়না শিজিন্নবা অমসুং লিজগী মতম লোইরবা মতুংদা মদুগী বিল্ডিং অদু ষ্টেটনা লৌহৌনবা খন্নবা লৈ।

হৌজিক মুম্বাইদা টাটা মেমোরিয়েল হোস্পিটালদা অনাবা ২০০গী মথক্তা লৈ হায়বসি অচুম্বনি। মখোয়গী য়েংলগা গেষ্ট হাউস অথুবা মতমদা শানবা হোৎনরগনি হায়খি। অহল ওইরবা পেন্সনরশিংনা অনা অয়েক য়াওবদা মেদিকেল রিএম্বর্সমেন্টকী খুদোংচাবা পীবা য়াব্রা হায়বা য়েংশিনগে হায়খিবগা লোয়ননা।

ভি দি এফশিংসু বটালিয়ন ওইনা থম্বা য়াব্রা হায়বা য়েংশিনগে হায়খি।

জেসামী অমসুং বেহিয়াংদা আই সি পি শাবগী মতাংদা চিফ মিনিষ্টরনা হায়, মফমশিং অদুদা শাবগী অয়াবা লৈরবসু এয়ারপোর্ট অমসুং মোরেদা ভিসা ওন এরাইভেলগী খুদোংচাবা লৈনবা থবক চংশিনবনি। মোরেগী ওইনা হৌজিক পায়খৎলিবা শেমগৎ শাগৎপগী থবক অসি আগষ্ট থাদা পুম্নোই লোইশিল্লগনি হায়খি।

মণিপুরগী লুংথুলিয়ান্দগী মিজোরামগী ভাংভুং ফাওবগী লম্বী শেম্বগী মতাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু শোয়খিবনি। কিমি ৬০ শাংবা লম্বী অসিগী কিমি ২২শাংবা শরুক শেম্বা লোইরে হায়গদবনি। লেমহৌরিবা লম্বীগী শরুক অসি শেম্নবা দিপিআর থাখ্রে। মসিদা শোয়খিবা অসিগীদমক টিপাইমুখ প্রজাশিংদা লানখ্রে হায়খি।

নুংঙাইরবা পাউজেল

নুংশং, নুংশিৎ কাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হকতিন্নবগী লাইনাশিং, অঙৌবা পকপা, উনশাগী লাইনাশিং, না তাদবা, সাইনেসিটিস খনাওগী নুংঙাইতবা, ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, তাং তাং চিকপা, শরুগী লায়নানচিংবশিং অসিগী লায়নাশিংনা নারবা মীওই কয়ামরুম ফহনবা ঙমখ্রে ।

SEXUAL PROBLEM FOR MEN

করিগুম্বা অদোমনা নুমিদাংদা মতোমতা ফম্বী চৎপা, মপান থোকপদা অমদি খোঙ হাম্বদ ফম্বী লোয়নবা, ফম্বী মরাং কায়না চৎতবা নত্রগা মহি লাংবা, শক্তি হম্বুবা ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি ৱাৎপা, থুনা ফম্বী চৎপা অমদি ফম্বী থোকউ য়াদবা, ফিনুংগী হকচাংদা হাকৎচবা নাই চাবা হাইদ্রোসিল য়াওনা মখল খুদিংমক্কী ফিনুংগী লায়না লায়েংজরি। মাংখ্রবা শক্তি অমুক হন্না ফংদুনা তগৎ তগৎ তেকপা নুংঙাইবা পুস্নি ওইনা লেনবা য়াগনি ।

ORGAN DEVELOPER

করিগুম্বা অদোমনা অদোমগী লিঙ্গা চাওবা অমসুং শাংবা হেনগৎহনবা পান্নবদি চানবীদুন মফম অসিদগী মেছিন লৈবিয়ু । মেছিন শিজিন্নবনা লিঙ্গাগী মশল কনখৎহল্লি অমদি চাওবা শাংবা হেনগৎহল্লি ।

FEMALE SEXUAL PROBLEM

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা হকচাং মনুংদা হাক্তচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অমদি অতৈ লায়নাশিং অসি অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্রে।

BREAST PROBLEM

ঐখোয়গী মেদিসিননা অদোমগী অপীকপা অমসুং চোম্বা মখলগী ব্রেষ্টপু হেক য়েংবদা ফজবা পুক্লিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা অমসুং মপুং মরৈ ফানা থম্নবগীদমক ঙসিমক লাকপীদুনা ব্রেষ্ট ওইলমেন অমদি হিদাক শিজিন্নবীয়ু ।

WHITE PATCHES (অঙৌবা পকপা)

অঙৌবা পকপশিংগীদমক থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। থুনা ফহনবা ঙম্বা ইঞ্জেক্সনসু লৈজরে। অদোমগী অঙৌবা পকপা লৈরবদি লোৎশিনদুনা থম্নীগনু অথুবা মতমদা লাকপীদুনা Dutta Clinic তা তান্নবীয়ু । উরিং, মাহিং, স্কিন, এজমা, ফি লাইকোই অমদি অমুবা দাগফমসু ফহনবা ঙম্মী।

DIABETES PROBLEM

দাইবেটিসকী লায়না লৈরবদি ৱেট চাং হম্বরক্কনি অদুগা সেক্সকি মপাঙ্গল শোনথরক্কনি অদুনা ঐখোয়গী হিদাকশিং শিজিন্নবীরবদি দাইবেটিসকী চাং নোংম-নোংমগী হম্বরক্কনি অদুগা সেক্সকী পৱার নোংম-নোংমগী কনখৎলক্কনি।

HAIR PROBLEM

শম কেনবা পোক হৌবা শমজাবী অসিনচিংবা লায়নাশিং কোক্তা তৈনবা থাউ অমদি অতোপ্পা হিদাক খরা শিজিন্নরবদি শম কেনবা হম্বরক্কনি, অনৌবা শম হৌগৎলক্কনি অমসুং পোক্কী মচু ওল্লক্কনি ।

PILES (BLOODY/NON BLOODY) AND GASTRIC

নুংশং ঈ তাবা, চাথৎপা, পোম্বা হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা ফহনবা ঙম্রে।

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমক্তসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী ।

EAR PROBLEM

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হম্বরকপা অমদি অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্রে। অমুক্তং লাকপীরগা তান্নবীয়ু ।

JOINT PAIN

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা খুৎ হাইগৎপা ঙমদবা অজমা, লোক খুবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, শ্বর ফুংগৎপনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তান্নবীয়ু ।

ASTHMA

শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, নাবনচিংবা লায়না কয়াবু মরু ফুক্ক ফহন্নবা ঐখোয়গী হিদাক শিজিন্নবীয়ু ।

WEIGHT GAIN

চহি মতাং অমদা হেক্তা লৈবা নুপামচা নত্রগা নুপীমচা মশাগা চান্নদবা মওংদা ময়াং কংবা মশা পাবা ৱেট য়াওদবা মদুগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা ফহনবা ঙম্মী ।

য়ু করম্না থাদোক্কনি

য়ুদা লায়চুদুনা লৈরবা মীওইশিংদা মশা খঙহন্দনা ঐখোয়গী হিদাক পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হঞ্জিল্লক্কনি । মহাক শোইদনা য়ু থাদোকপা ঙমগনি ।

DUTTA CLINIC
Regd. No. 21229
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road, Khoyathong Imphal.

Oinam Napoleon
D. Baud
Sadananda
Joychandra
H.Semananda
W. Mustakim
Chingkheinganba
Robinson

COCI
COMBINED COACHING INSTITUTE
URIPOK KHOISNAM LEIKAI, OPPOSITE OIL PUMP (IMPHAL)
A mission for a better society

ADMISSION OPEN

ADVANCED FOUNDATION COURSE (COHSEM & CBSE)

*CLASS XI & XII Sc.
Phy, Chem, Maths, Bio & Eng

SPECIAL FEATURES:
- Analysis of the most probable Q with Ans for Final Exams,2015
- Regular Sunday Unit Test Series
- Provided High Scoring Exam. Technique
- Vision for Toppers.
- Taught by well experienced Faculties.
- 50% Fee concession for Physically challenged students.

Facilities:
Separate Hostel for Boys & Girls and Van Service

ADMISSION FORM AVAILABLE FROM 04:30 a.m. TO 07:30 p.m.

CLASS SCHEDULE
Morning : 04:30 to 07:30 a.m.
Evening : 04:30 to 07:30 a.m.

CLASSES COMMENCING ON 3rd APRIL, 2014

CLASS X (FC) - FIRST BATCH - Classes commenced
CLASS X (FC) - SECOND BATCH - Classes commencing from 1st Week of May

FOR DETAILS PLEASE CONTACT: OFFICE, COCI

TECHNICAL COACHING CENTRE
Sagolband Meino Leirak (Near Atom Bapu Research centre)
Crash Coaching for the recruitment of MPSC Section Officer Grade –I (IT) and Grade – II (IT)
Classes already started on 04/04/2014
** Only few seats left
# 9863307164, 8974708390, 9863195441



PIS Brick Field (Mechanised)
(Time to time rate changeable)
AVAILABLE BRICKS IN THE FOLLOWING PRIZE
BRICK SAMPLE

Class	Rate	Brick	Amount	Gari Charge	Labour	Total
1st	Rs. 9.00	3000	Rs. 27000	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 30600
1st	Rs. 9.00	2000	Rs. 18000	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 20400
1st	Rs. 9.00	1500	Rs. 13500	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 15350
2nd	Rs. 8.30	3000	Rs. 24900	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 28500
2nd	Rs. 8.30	2000	Rs. 16600	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 19000
2nd	Rs. 8.30	1500	Rs. 12450	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 14300
1st Rej.	Rs. 6.50	3000	Rs. 19500	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 23100
1st Rej.	Rs. 6.50	2000	Rs. 13000	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 15400
1st Rej.	Rs. 6.50	1500	Rs. 9750	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 11600
Peti	Rs. 6.50	3000	Rs. 19500	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 23100
Peti	Rs. 6.50	2000	Rs. 13000	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 15400
Peti	Rs. 6.50	1500	Rs. 9750	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 11600
3rd	Rs. 3.50	3000	Rs. 10500	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 14100
3rd	Rs. 3.50	2000	Rs. 7000	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 9400
3rd	Rs. 3.50	1500	Rs. 5250	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 7100

Contact:- 9856052197, 9862048579 (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.